# ই ভি এম চাদা ৫০ ভেরিফিকেসন তৌনবগী পিটিসন সুপ্রিম কোর্টনা হিয়রিং চথ্খরগনি

**ন্যু দিল্লি, মে ৩ (এজেন্সী)ঃ**

ভোটর ভেরিফাইএবল পেপর ওদিট ট্রেল (ভি ভি পেট) শীজিন্নরগা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ই ভি এম) চাদা ৫০ নৌনা ভেরিফিকেসন তৌনবা ওপোজিসন পার্টি ২১না থাঙ্গৎলকপা রিভ্যু পিটিসন অমা সুপ্রিম কোর্টনা মথং চয়োলদা হিয়রিং চথ্খরগনি।

রিভ্যু পিটিসন ফাইল তৌরকখিবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মনুংদা কোংগ্রেস, টেলুগু দেসম পার্টি (টি দি পি), নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সি পি), ট্রিণামুল কোংগ্রেস, দ্রাবিদা মুনেত্রা কজাঘম (দি এম কে), আম আদমি পার্টি (এ এ পি), কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া-মার্ক্সিষ্ট (সি পি আই -এম), কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সি পি আই) অমসুং অতৈ পার্টি কয়া মরুম য়াওরি।






চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোই অমসুং জষ্টিস দিপক গুপ্তা য়াওবা বেঞ্চ অমনা পিটিসন অসি হিয়রিং চথ্খরগনি। মমাঙদা এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সি খুদিংগী ই ভি এম অমদা ভি ভি পেট য়াওহল্লম্বা তারবসু সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না ভি ভি পেট মঙাদা হেনগৎহনখ্রবনি। মীখলগী থবক থৌরমদা অরানবা থৌওং অমত্তা চথ্হন্দনবা অমসুং অশোই অঙাম য়াওহন্দনবগী পান্দমদা ভি ভি পেটকী মশিং হেনগৎহনখিবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি ২১না ই ভি এমগী মতাংদা চীংনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ই ভি এম চাদা ৫০ ভেরিফিকেসন তৌবিয়ু হায়না এপ্রিল ২৪দা রিভ্যু পিটিসন অমা কোর্টতা ফাইল তৌখিবনি।

অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদুনা লুচিংবা ওপোজিসন লিদরশিংনা হায়খি, ভি ভি পেটকী মশিং অমদগী মঙাদা হেনগৎলকপনা অশোইবশিং শেমদোকপা ঙমগনি থাজদে। মরম অদুনা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং অদু নৌনা অমুক রিভ্যু তৌবিয়ু হায়দুনা ওপোজিসন পার্টি ২১গী লুচিংবশিংনা রিভ্যু পিটিসন অমা ফাইল তৌখিবনি।

অমরোমদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্দিগা নক্কবা সেম পিট্রোদানা হায়খ্রে মদুদি মীখলদা ই ভি এম শীজিন্নবনা অরানবা থৌওং কয়া চথনবগী খুদোংচাবা ফংহল্লে। টেক্নিকেল এক্সপার্ট অমা ওইনা ই ভি এমদা অশোইবা খরা লৈরে হায়বা খঙলবসু হৌজিমক্কী ওইনদি চপ চানা অশোইবশিং পুথোকপা ঙমদ্রি।

কনাগুম্বনা ই ভি এম অমা পীরক্লগা চহী অমা চুপ্পা থিজিনবা মতমদা অশোইবাপুম্নমক ইরাই লাইনা পুথোকপা ঙমগনি। কোংগ্রেসনা পুথোকখিবা পার্টিগী মেনিফেষ্টোগা মরী লৈননা ৱা ঙাংখিবদা পিট্রোদানা হায়খি, মফম মফম খুদিংদা চৎতুনা মীয়ামগী অপাম্বা খঙদোক্লবা মতুংদা কোংগ্রেসকী মেনিফেষ্টো ফোঙখিবনি। ইকোন কোনবা ওইনা দুবাইদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ১২দগী লাকপা মীওইশিং শরুকয়াখি। মীফম অদুদা কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা কোংগ্রেসকী মেনিফেষ্টো পুথোকখিবনি।

# জম্মু এন্দ কাস্মিরদা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী মকোক থোংবা কম্মান্দর য়াওনা টেররিষ্ট অহুম হাৎখ্রে

**শ্রিনগর, মে ৩ (এজেন্সী)ঃ**

খা থংবা কাস্মিরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্নখিবা থৌদোক অমদা হিজবুল মুজাহিদ্দনগী মকোক থোংবা লুচিংবা টারিক মোলভি এলিয়স মুফতি ৱাকাস অমদি লতিপ টাইগর য়াওনা টেররিষ্ট ৩ লৈখিদ্রে। থৌদোক অদুদা আর্মি পার্সনল অমসু অশোক অপন নংখি হায়রি।



এজেন্সিগী পাউনা হায়, থৌদোক থোকফমদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা এ কে-৪৭ রাইফল ২ অমসুং সেলফ লোদিং রাইফল ১ ফংবা ঙমখি। বুরহান ৱানিনা লুচিংবা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী মরু ওইবা লুচিংবনি হায়না লৌনরিবা লতিপ টাইগর লৈখিদ্রবনিনা লুপ অসিগী মপাঙ্গল শোন্থরক্লগনি হায়না থাজনরি। সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টকী ইমাম সাহিবতা লৈবা অদখরা এরিয়াদা সিক্যুরিটি ফের্সেস অমদি টেররিষ্টশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্ন রকখিবনি।

থৌদোক অদু পাউ ফংবগা অহেনবা সিক্যুরিটি পার্সনলশিং চঙশিন্দুনা অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। টেররিষ্ট খরা লোৎতুনা লৈরে হায়বা পাউফংবদগী ৩৪ শুবারাষ্ট্রিয়া রাইফলস অমসুং স্পেসল ওপরেসন্স গ্রুপকী অপুনবা টিম অমনা ইমাম সাহিবতা থিবা হুম্বগী থবক চথখি।

টেররিজমগী চৈথেং খ্বাইদগী চাওনা ফংলবা সোপিয়ানদা ইন্টর্নেট সার্ভিস থিংজিনখিবগা লোয়ননা রেলৱে সার্ভিসসু লেপহনখি। অনন্তনাগ পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা সোপিয়ানদা হৌজিক হৌজিক মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি। মে ৬তা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা লাউথোকপা লৈখ্রে।

মমাঙ চায়োলদসু অনন্তনাগ লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী মরু ওইবা টেররিষ্ট ২ হাৎখি। এপ্রিল ২৫গী অয়ুক অঙনবদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা সবদা অমিন (২৫) অমসুং বুরহান অহমদ গানে এলিয়স সাইপুলা (২৫) নোংমৈনা কাপ্তুনা হাখিবনি।

সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথরুবদা টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনসু খুৎ হন্দুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্লখি। থৌদোক অদুদা মিলিটেন্ট অনী শীখিবনি। লৈখিদ্রবা মিলিটেন্ট অনীমক তোঙান-তোঙানবা কেস কয়াদা চেন্নবগীদমক পুলিসনা ফানবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। পুলিসনা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী মরু ওইবা লুচিংবা অনী হাৎখ্রবা মতুংদা লৈখিদ্রবা মিলিটেন্টশিংগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপদা মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না শরুকয়াখি।

বিজবেহরা অমসুং এসকে কোলোনি লাজিবালদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী মতুং তারকপদা ষ্টেট অসিগী মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা অনন্তনাগ পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি।

# মহাভারত, রমায়নদা হাৎনা শুনবগী থৌদোক মশিং থিঙমদনা য়াওবা থেংনৈ ঃ সিতারাম য়েচুরি

**ভোপাল, মে ৩ (এজেন্সী)ঃ**

মধ্যা প্রদেশকী ভোপালদা ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি)গী মীরেপ ওইরিবা প্রগ্যা থাকুরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগী মায়োক্তা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া - মার্ক্সিষ্ট (সি পি আই-এম)গী জেনরল সেক্রেটরী সিতারাম য়েচুরিনা হায়খ্রে মদুদি মহাভারত অমসুং রমায়নদা হাৎনা-শুনবগী থৌদোক কয়ামরুম য়াওবা থেংনৈ।



হিন্দুশিংনা ইং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাকখি অমসুং খন্ন-চৈনবগী ৱাফমদা থাজবা ফংদে হায়না প্রগ্য থাকুরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগী পাউখুমদা সিতারম য়েচুরিনা মহাভারত অমসুং রমায়নগী ৱাফম পুশিন্দুনা হিন্দুশিংসু লান শোক্নে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

য়েচুরিনা হায়খি, হিন্দুশিংনা খৎন-চৈনবা পামদে হায়রবসু লৈবাক্কী পুৱারী নৈনরুবা মতমদা নিংথৌ কয়ানা লান শোক্নখিবগী ৱারী ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্মী। হিন্দুশিংগী য়াম্না মরু ওইবা লাইরিক্কি হায়রিবা রমায়ন অমদি মহাভারত্তসু লান শোক্নবগী মতাং কয়ামরুম য়াওরি। মীখল ময়াদা বি জে পিনা কাংলুপকী ওইবা ৱাফম কয়া পুশিন্দুনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরি হায়না মরাল শীরদুনা য়েচুরিনা হায়খি, আর্টিকল ৩৫ (এ), আর্টিকল ৩৭০, রাম টেম্পল শাবা, য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ অমদি নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সি)গী ৱাফম পুশিন্দুনা মীখলদা মায় পাক্লবা হোৎনরি।

মতম অমগী পুৱারীগা মরী লৈনবা ৱাফম পুশিল্লদুনা সিতারাম য়েচুরিনা হায়খি, কলিঙ্গগী লানফম লোইরবা মতুংদা মোরিয়ান এম্পাইয়রনা বুধিজমদা লাইমিং লৌদুনা কাংলুপ মশেল নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখি।

বিনয়ক দামোদর সবরকরনা হিন্দুয়িজম অমসুং হিন্দুত্ব মরী লৈনদে হায়বা ৱাফম ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লম্মী। হিন্দুশিংনা খৎন-চৈনবদা থাজবা থমদে হায়বা প্রগ্য থাকুরগী ৱাফম অরানবনি। পুৱারীদা হিন্দুশিং লান শোক্নখিবগী ৱাফম ময়েক শেংনা য়াওরি হায়নসু সিতারাম য়েচুরিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কেরলাদা মুস্লিম এদুকেসন সোসাইটিনা কেম্পস মনুংদা নুপীশিং বুরকা শীজিন্নবা য়াহনখিদ্রে

**টিরুবনন্থপুরম, মে ৩ (এজেন্সী)ঃ**

কোজিকেদতা লৈবা মুস্লিম এদুকেসন সোসাইটি (এম ই এস)না কেম্পস মনুংদা নুপীশিংনা মমায় মমিৎ খুম্বা বুরকা শীজিন্নবা য়াদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।



এন ই এস ইন্সটিট্যুসন অসিগী প্রসিদেন্ট পি কে ফজল গাফরনা হায়খি, হন্দক্কী একাদেমিক সেসন হৌবদগী কনাগুম্বা নুপী অমত্তনা কেম্পস মনুংদা বুরকা শীজিন্নবা য়ারোই। লাইনিং লাইশোনগী তঙাইফদবা কয়ামরুম লৈবা তারবসু মীয়াম্না পাম্নদ্রবা থৌওং অমত্তা চথবা য়ারোই।

নুপীনা শেৎকদবা ফিরোলগী মতাংদা মুস্লিম এদুকেসন সোসাইটিনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা মুস্লিম ওর্গনাইজেসনশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

বুরকা শীজিন্নবা য়ারোই হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদা দারুল উলুম দিওবান্দনা হায়খি মদুদি ইস্লামিক লোগী মায়োক্তা লৈবা থৌওং অমত্তা চথহনবা চুমদে। সরিয়টনা য়াদবা থৌরাং অসি খুদক্তা খোঙফম হন্দোক্কদবনি। মুস্লিম নুপী খুদিংমক মকোক্তা ফি খুমদুনা মমায় কুপশিনবা মথৌ তাই হায়বা পুন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। কলেজনা মুস্লিম নুপীশিংগা মরী লৈননা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি খোঙফম হন্দোক্তবা তারবদি মীয়ামগী অপুনবা খোঙজং কয়া লাকপা য়াই।

লাইনিং খুদিংমক্কী চৎনবী ইকায়খুম্নফম থোকই হায়না পাল্লুদুনা দারুল উলুম দিওবান্দগী মুফতি মহমদ অর্সদ ফরুকিনা হায়খি, কেরলাগী মুস্লিম এদুকেসন সোসাইটিনা নুপীশিংগী ফিজেৎতা য়ুম্ফম ওইরগা লৌখৎলকপা থৌরাং শোইদনা মায়থীবা ফংলগনি।

অমরোমদা মুস্লিম এদুকেসন সোসাইটিনা হায়খি মদুদি নুপীশিংনা মমায় মমিৎ খুমজিনবগী অনৌবা চৎনবী অমা লৈরক্লে। হান্না চৎনরমদবা মায় খুমজিনবগী চৎনবি অসিনা খুন্নাইদা অফবা অমত্তা পুরকপা ঙম্লোই। শ্রীলঙ্কাদসু ইষ্টর সন্দে নুমিৎতা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোকখিবদা মীওই ২৫০ হেন্না শীহনখিবগী মতুং তারকপদা নুপীনা মমায় মমিৎ খুমজিনবা য়াহনখিদ্রবনি।

# ঝরখন্দদা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা আই ই দি পোকখায়হন্দুনা বি জে পিগী ওফিস মাং তাকহনখ্রে

**জমসেদপুর, মে ৩ (এজেন্সী)ঃ**

ঝরখন্দগী সেরাইকেলা-খর্সৱান দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী ওফিস অমা মাওইষ্ট লালহৌবনি চিংনবশিংনা ইমপ্রোভাইস এক্সপ্লোসিভ দিভাইস (আই ই দি) পোকখায়হন্দুনা অমাং অতা থোকহনখ্রে।

সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস চন্দন কুমার সিনহনা হায়খি, ঙসি অয়ুক খুৎলায় পায়বা মীওই ৪ খর্সৱানদা লৈবা বি জে পিগী ওফিসতা লাক্লগা আই ই দি পোকখায়হন্দুনা অমাং অতা থোকহল্লম্বনি। থৌদোক অদুদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা অশোক অপন নংখিদে।

মাওইষ্ট লালহৌবশিংগী খুৎ য়াওব্রা হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা চন্দনকুমার সিনহনা হায়খি, চথরল্লিবা থৌওং অদুনা মরম ওইরগা মাওইষ্টশিংগী খুৎ শোইদনা য়াওরমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা পুলিসকী অখন্নবা টিম অমা থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা থৌরাং লৌখৎখি।

জমসেদপুরদগী কিলোমিটর ৩০ লাপ্না লৈবা সেরাইকেলা খর্সৱান হায়রিবা মফম অসি খুন্তি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চল্লি। কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অরজুল মুন্দালনা হন্দক্কী লোক সভা মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ ওইনা চোংথোক্লি।

মমাঙ চায়োলদসু মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা ঝরখন্দগী পালামো দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বি জে পিগী ওফিস অমদা এটেক চথরম্বা লৈখ্রবনি। হরি হরগঞ্জগী বস ষ্টেন অমগী মনাক্তা লৈবা বি জে পিগী ওফিসতা এটেক চথরল্লবা মতুংদা লালহৌবশিংনা সি পি আই - মাওইষ্টকী স্লোগান কয়ামরুম লাউরমখি।

এপ্রিল ১২দনা ঝরখন্দগী ৱেষ্ট সিংহভুম দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী বিল্ডিং ৩ মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা বোম পোকখায়হন্দুনা অমাং-অতা থোকহল্লমখি।

হন্দক্তগা লুপা লাখ ৬০চঙনা শাগৎখিবতা ঙাইরিবা ফোরেষ্টগার্দশিংগী ক্বাটর অনীসু মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা মাং-তাকহল্লম্লে।


## ADMISSION NOTICE

মণিপুর হিন্দী পরিষদ, ওল্ড এসেম্বলী রোড ইম্ফালনা চল্লাইবা 'মণিপুর হিন্দী মহাবিদ্যলয়'গী হিন্দী প্রবোধ, হিন্দী বিশারদ অমদি হিন্দী রত্নগী ক্লাসশিং লাক্লিবা তাং ১৬।৫।২০১৯ ইংদগী চাং নাইনা হৌজরগনি। হিন্দী তম্লিংবা ছাত্রশিংনা লাক্লিবা তাং ১৫।৫।২০১৯ ইং ফাওবগী মনুংদা মীং চল্লগা ক্লাস য়াওবা য়ারগনি। অকুপ্পা মরোল মণিপুর হিন্দী পরিষদ ইম্ফালদগী খঙলবা য়াগনি।

**মতম নুংথিল পুং ৩:০০**

*খঙহঞ্জরিবা*, **হৈখাম মোচা**
প্রচার সচিবা, মণিপুর হিন্দী পরিষদ, ইম্ফাল॥

HL-P/4197/4 **# 8731076696**


## /পাউজেঞ্জবা

নাওরেম শাগৈনা লাৎচবা পান্থোইবী ইমাগী হরাওবা লাক্লিবা তাং ৭/৫/২০১৯ কালেনগী ৩ নি পানবা লৈপাকপোকপা নুমীৎতগী নুমীৎ ১০ (তরা) নি চুপ্পা পাঙথোকচরগনি। অদুনা অরাপ্পা-অনকপদা লৈবীরিবা ইমাগী থৌগল তৌবীনিংবা পুন্নমক্না শরুক য়াবীরনবা হায়জবগা লোয়ননা মখাদা পীজরিবা টোপিক অসিদা এসে ইবিরগা পীশিনবীরক্তুনা পাঙথোকচগদবা 4th State Level Essay Competition অসিবুসু মপূং ফাহনবীনবা খঙহঞ্জরি।

**Topic :**
লাইহরাওবা অমদি অরিবা মশান্নশিংগা লৈনবা মরী।

Sd/- **N. Chandrakanta**,
Secretary,
Nongpok Panthoibi Thougal Lup
Naorem Leikai, Imphal West
# 9774153887

HL-P/4167/4


## OFFICE OF THE IIBIT IMPHAL, MANIPUR

**(Indian Institute of Banking and Information Technology)**
**GSTIN : 18AAFF017234ZK, Branch Code : IIBITM06684**

**SBI Credit Card in Manipur :** No. of Vacancy 15 - Post name BRM (Bussiness Relationship Manager/ BRE (Bussiness Relationship Executive) - Qualifications 10+2 and above. Pay scale - 10k and above.

**ICICI Bank Manipur :** No. Of Vacancy 5 - Post name BSO(Business Sales Officer) - Qualifications Graduation and above - Pay scale 14k and above

**Date of Interview : 7th May, 2019.**

***Timing :*** **10am to 4pm**

***Interview place :*** **IIBIT Office, Khuyathong, Imphal**

*For more details Contact* : **6009175954/9612457523**

HL-B/5367/1-6 May


## থাঙ্গ ঈবুধৌ চীংনিংথৌ হরাওবগী পাউজেল

লাক্লিবা কালেনগী ৩ নি পানবা লৈপাকপোকপা নুমীৎতগী ঈকৌখৎচরগা কালেনগী ২২নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎ ফাওবা নুমীৎ ২০ নি চুপ্পা হরাও-চাকশেল-তম থৌদোক কুম্মৈ শান্নজরগনি। হরাও কুম্মৈ শান্নরিঙৈ অসিদা ঈবুধৌ-ঈবেন্থৌশিংগী হৈকৎ-লৈকৎ তম্বীনিংবা অমদি থৌনীজনিংবা ঈরৈবাক-ঈরৈচা খ্বাই-খিবিক্লা মতম চানা থৌগল তৌবীরনবা নোল্লুক্লা পাউজেঞ্জরি।

লাই হৌবা : 07-05-2019
upto
লাইরোই : 26-05-2019

*পাউজেঞ্জরিবা :*
**থাঙ্গ ঈবুধৌ চীংনিংথৌ থৌগল্লুপ**
President : N. Bheigyachandra Singh
Ex. Sec. : N. Budhi Singh Thanga

Contact No. : 9612231426

HL-P/4190/4 & 6/05

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref :- Mutation Case No. 231/SDC/NTK/2019**

1. Khumanthem (N) Oinam (O) Thabalei Devi D/o. (L) Kh. Iboton Singh of Ningthoukhong Kha Khunou W/No-4.
2. Khumanthem (N) Tongbram (O) Dibenti Devi, D/o. (L) Kh. Iboton Singh of Ningthoukhong Kha Khunou.

*...Petitioners.*

-Vs-

Late Khumanthem Iboton Singh, S/o. (L) Kh. Thambou Singh of Ningthoukhong Kha.

*...Opponent.*

**/ NOTICE**
Ningthoukhong, the 30/4/2019

নোটিস অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 44-Ningthoukhong Kha Village গী Patta No. 44/273(N) C.S. Dag no. 2081 an Area 0.143 acre of Ingkhol Class অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে, মরম অসিনা ইংখোল/ লৌফম অসিগা মরী লৈননা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ৭/৫/২০১৯ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়ারগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপদি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,
Ningthoukhong.

HL-P/4196/4

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref :- Mutation Case No. 244/SDC/NTK/2019**

1. Konthoujam Rajen Singh, S/o (L) K. Gyaneshwor Singh of Ningthoukhong.
2. Konthoujam Thoithoi Singh, S/o (L) K. Gyaneshwor Singh of Ningthoukhong.

*...Petitioners.*

-Vs-

Late Pukhrambam (N) Konthoujam (O) Ibemhal Devi of Ningthoukhong Awang.

*...Opponent.*

**/ NOTICE**
Ningthoukhong, the 3/5/2019

নোটিস অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 44-Ningthoukhong Village গী Patta No. 44/220 (O) 146/1845(N) C.S. Dag no. 1240, 1245/3068 an Area 1.39 acre of Phourel Class অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে, মরম অসিনা ইংখোল/ লৌফম অসিগা মরী লৈননা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১২/৫/২০১৯ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়ারগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপদি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,
Ningthoukhong.

HL-P/4196/4

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST- PATSOI

**Ref :- Mut. Case No. 279/SDC/IW(P) of 2019 Dt. 3/5/2019.**

1. Smt. Khundrakpam Ongbi Mani Devi W/o. (L) Kh. Bihari Singh of Khumbong
2. Smt Naorem Ongbi Gandhatombi Devi W/o. (L) N. Iboyaima Singh of Sagolband Heinoupok.

*...Petitioners.*

-Vs-

Late Takhelmayum Ongbi Sakhi Devi, W/o. (L) Luwangba Singh of Langjing Heinoupok.

*...Opponent.*

**/ NOTICE**
Dt. 3/5/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই:ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর 104/Langjing গী পাট্টা নম্বর 96 (Old) 95 (New) দাগ নম্বর 275 গী পোইন্ট .06 একর চাওবা ইংখোল পোইন্ট .০৬ একর চাওবা লম অসিগী পট্টাদারিনি অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/ লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১২/৫/২০১৯ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চৎথরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,
Imphal West, Patsoi

HL-P/4195/4

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

**Ref :- Mut. Case No. 518/SDC/M dt 2/5/2019**

1. Moirangthem Joychandra Singh S/o Late M. Ibobi Singh of Thamnapokpi
2. Moirangthem Tombi Singh, S/o. (L) -do- of -do-
3. Moirangthem Budhi Singh, S/o. (L) -do- of -do-

*...Petitioners.*

-Vs-

Late Moirangthem Ibobi Singh, S/o. (L) M. Yaima Singh of Thamnapokpi.

*...Opponent.*

**/ NOTICE**
Moirang, the 2nd May, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫০- থম্নাপোকপীদা লৈবা পাট্টা নং ১২৫ অনৌবা সী এস দাগকী নং ২২১ এরিয়া ০.০৮ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী ইমুং-মনুং মচাশিংনা মীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অপতি (য়েৎপীবা) য়াগনি। অকক্লবা মতমসিগী মনুংদা লাক্তবা তারবদি অপতি লৈত্রে হায়না লৌগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মকা চথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,
Moirang

HL-P/6178/4


## ANGELS' COACHING CENTRE

URIPOK POLEM LEIKAI, IMPHAL

**WANTED URGENTLY**

1. Warden - 1 Male
   1 Female

***Qualification*** : Graduate/12 passed

2. Helper - 1
3. Cook - 1

HL-B/5370/3,5,7 # 7628946313 / 8732022342

## BRICK (চেক) ফংবীগনি

1st Class @ ₹ 9.40/- to ₹ 12.70/-
2nd Class@ ₹ 9.15/- to ₹ 12.25/-
1st Reject @ ₹ 8.80/- to ₹ 11.80/-

*Please Contact :*
**"YES"** office, Nagamapal Singjubung Leirak, Near S.Y.O. Club, Imphal
# 6009144123 / 9612130857

**FREE HOME DELIVERY**

HL-P/4189/3,4,5